**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী চহি ১২ গী সাসন মনুংদা মণিপুরসু তোঙান তোঙানবা লমদা শিংথানিঙাই ওইনা চাওখৎপা ঙমলে।

২) মণিপুরদসু ঙসি মালেমগী ঈ দান তৌবা নুমিৎকী পালন থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি।

৩) রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হয়েংদগী লৌমীশিংদা হার ফঙহনবা হৌরগনি হায়রি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইম্মানুএল মেক্রোন অনিনা পুন্না ঙসি ফ্রান্সকী নাইস সহরদা ভারত ইনোভেটসকী থৌরম হৌদোকখ্রে।

অমসুং

৫) ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং স্কোটলেন্দ মায় পাকখ্রে, ব্রাজিলগা মোরোকোগা দ্রো চৎখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হৌখিবা চহি ১২ অসিদা তোঙান তোঙানবা লমদা চাওখৎপা ঙল্লকখিবা অসিগীদমক মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা প্রধান মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটকী দরবার হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- শ্রী মোদিগী মতমদা মণিপুরসু তোঙান তোঙানবা লমশিংদা শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা চাওখৎপা ঙমলে। শ্রী খেমচান্দনা হায়- নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন.দি.এ সরকারগী চহি ১২ গী মতম অসিদা মণিপুরদা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি লিংখৎলে। মীয়ামা মতম কুইনদগী দাবী তৌরক্লবা ইন্নর লাইন পার্মিৎ সিষ্টেম এন.দি.এ সরকারনা চৎনহনখ্রে। রাজ্য অসিগী চুরাচান্দপুর জিলাদা মেদিকেল কলেজ অমা লিংখৎতুনা অনা লায়েংগী লমদসু খুমাং চাওশিনহনবা ঙমলে। মহাকা হায়- জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল রেলৱে কন্নেক্তিভিতি প্রোজেক্ট ২০২৮ গী দিসেম্বর ফাওবদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

পাউগী মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা হায়- লৈবাক অসিনা ইমিসন, ইন্তেন্সিতি, রিদক্সন টার্গেট পান্দম থমখিবা মতমগী মাংওইননা য়ৌবা ঙমলে।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়- ভারত-ম্যান্মার লোন্নবা ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবগী থবক কন্না চথুরি।

তুরিজম মন্ত্রি কে.ঐচ. লোকেন সিংহনা হায়- ১৮৯১ গী এঙ্গলো মণিপুর লানগী নীংতম লান্মীশিংবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা অন্দমান নিকোবর ঈথৎকী মাউন্ট হেরিয়েটপু মাউন্ট মণিপুর হায়না মমিং থোনখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা এম.এল.এশিং- তোংব্রম রোবিন্দ্রো, এস. প্রেমচন্দ্র অমসুং টি.ঐচ. শান্তিসু শরুক য়াখি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা লৈরিবা কাংলুপ খুদিংমক্তা খুদোংচাবা পীদুনা পুন্না চাওখৎমিন্নবা সরকার অসিনা লেপ্তুনা হোৎনরি। মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা ঙসি লিয়াংমৈ নাগা কাউন্সিলগী

মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ফুরুপ অসিগী য়াইফনবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা ব্রাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখি।

সরদা (এল)ঃ বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ. সরদা দেবীনা ঙসি দলগী মোইরাং মন্দলদা রাজ্য অসিগী শকাইরবা মীওই অনি সংকুটনগী শৌগ্রাকপম ইন্দিরা দেবী অমসুং পুং চোলোমগী মাইরেনবম রঞ্জিৎ সিংহগা উন্নখ্রে। শ্রীমতি সরদানা মীওই অনি অসিনা কলা অমসুং সংস্কৃতিগী লমদা লৌরিবা থৌদাংবুসু শিংথাখি।

ডে (এল)ঃ মালেমগী ঈ দান তৌবা নুমিৎকী পালন থৌরম মণিপুরদসু ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি । পালন থৌরম অসি রিমসদা দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমস, মেক্স, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমদি অতৈ লুপ কয়ানা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম জেনিমস ব্লড সেন্তর পোরোমপাৎতসু পাঙথোকখি। থৌবাল জিলাদসু ৬৬ শুবা সি.আর.পি.এফ বত্তাল্লিয়ন, ব্লড বেঙ্ক এন্দ ত্রান্সফ্যুজন য়ুনিত, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালনা এসোসিয়েসন ওফ সার্জন্স ওফ ইন্দিয়া মণিপুর চেপ্তর অমসুং ষ্টেট ব্লড ত্রান্সফ্যুজন সেল মণিপুরগা খুৎশমনা শিন্দুনা ঈ দান তৌবগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখিবা ঈ দান তৌবগী থৌরম অদুদা সি.আর.পি.এফ পার্সোনেলশিং য়াওনা মীওই কয়ানা ঈ-দান তৌখি।

হার (এল)ঃ মণিপুর সরকারগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিন্দুনা রাজ্য অসিগী জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কেম্পশিং পাঙথোক্তুনা হয়েংদগী লৌমীশিংদা হার ফঙহল্লগনি হায়না বিভাগ অসিগী দাইরেক্তর পিতর সলামনা হায়রি।

অকাশবানি ইন্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা শ্রী পিতর শলামনা হায়-লৌমীশিংনা কেম্প পাঙথোকফমশিংদগী ইশাগী আধার কার্দ, লমগী পত্তা নত্রগা

ফারমর কার্দ পুরক্কুনা হারশিং অসি লৌরবা য়াগনি। হার য়েন্থোকপগী কেম্প অসি পাঙথোকপা লোইরবা তুংদসু লৌমীশিংদা মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচরেল ওফিসশিংদা হার ফংহনগনি।

ককচিং (এল)ঃ   রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগকী মীৎয়েং মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে ২০২৬ কী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। ককচিং জিলাগী লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগকী দাইরেক্তর টি. ব্রজকুমারনা হায়- ককচিং জিলা অসি অমোৎ অকায়শিং মফম চানা থল্বা অমসুং লোইশিনবা জিলা অমা ওইরি। অদুবু জিলা অসি প্লাষ্টিক চাং ৱাংনা শিজিন্নে হায়বগী রেকোর্দ লৈরে। মরম অসিনা প্লাষ্টিক শিজিন্নবা হন্থহন্দুনা জিলা অসিগী রিছোর্স ওইরিবা চীং, পাৎ অমসুং তুরেলশিং অসি কনমিন্নশি।

সাইকল (এল)ঃ   য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসকী মাৎয়েং মখাদা স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (সাই)না শিন্দুনা সনডেস ওন সাইকলগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। উন্নৎ ভারত অভিয়ান হায়বা থিমদা সাই এস.টি.সি ইম্ফালগী ওফিসতগী লমথাখিবা সাইকল রেল্লি অদু ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং ফাওদুনা চৎলুরবা মতুং খুমন লম্পাক্তা লোইশিনখি।

নারদা (এল)ঃ   ১৩ শুবা দেভর্সি নারদা জয়েন্তিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু বিশ্বা সম্ভাদ কেন্দ্র মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোঞ্জেং লৈকাইদা পাঙথোকখিবনি।

ডে (এল)ঃ   এসোসিয়েসন ওফ সার্জন্স ওফ ইন্দিয়া মণিপুর চেপ্তরনা শিন্দুনা অনিরক শুবা নেসনেল সার্জন ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা আই.এম.এ হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক

য়াখিবশিংনা সার্জনশিং য়াওনা হকশেলগী লমদা লৈরিবশিংনা লৌরিবা অমদি লৌবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

ইনোভেটস ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইম্মানুএল মেক্রোন অনিনা পুন্না ঙসি ফ্রান্সকী নাইস সহরগী পলাইস দেস এক্সপোজিসনদা ভারত ইনোভেটসকী থৌরম হৌদোকখ্রে। ভারত-ফ্রান্স অমদি অতৈ লৈবাকশিংদগী মকোক থোংবা ইনোভেসনগী ষ্টার্টঅপশিং অমসুং ভেঞ্চর কেপিতেল ফন্দশিং পুনশিনহন্নবা ইন্দিয়া ফ্রান্স ইয়ার ওফ ইনোভেসনগী মখাদা ফ্লেগসিপ থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মসিদা এদভান্স কম্প্যুতিং, সেমি কন্দক্তর, আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স, ক্বান্টম টেকোলোজিষ্ট, স্পেস টেকোলোজি, ক্লিন ইনর্জি অমসুং বাইও টেকোলোজি য়াওনা মরুওবা লম ১৩ গী ইনোভেসনশিং উৎলি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা ভারত অমসুং ফ্রান্সকী অচেৎপা মরী অদু নৌহৌনা পনখি। ভারত অমসুং ফ্রান্সনা পুন্না থবক পায়খৎমিন্নবা অসিবু অমনা অমবু থাজবা অমদি তুংগী অমত্তা ওইবা মীৎয়েংগী মখাদনি হায়নসু ফোংদোকখি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী নহারোলশিংগী আশা, ইনোভেসন অমসুং টেকোলোজিনা লৈবাক অসিবু তুংগী য়াইফনবা শেমগৎলি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি মেক্রোননা হায়- মালেমগী লৈবাক কয়ানা ভারতপু থোইদোক হেন্দোকা হৈ শিংবা লৈবাক অমা ওইনা লৌবতা নত্তনা ইনোভেসন অমসুং টেকোলোজিগী লৈবাক অমা ওইনসু খঙনরি।

থৌরম অদুদা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর, কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়ল, নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবল অমদি শকাইরবা করৱারৱালাশিং শরুক য়াখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌখিবা চহি ১২ অসিদা ভারতনা শেল ইচং চংদনা মীয়ামদা মগুন লৈবা হকশেলগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা

অকনবা থবক পায়খৎলি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়- খ্বাইদগী হেন্না শোত্থরবা কাংবুদা মগুন লৈবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহল্লিবা মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা হকশেলগী থৌরাং আয়ুসমান ভারত অসিগীদমক লৈবাক অসিনা চাউথোকচরি। মহাকা হায়- পি.এম. ভারতিয়া জন ঔসাধি পরি য়োজনাগুম্বা থৌরাংশিংনা মীয়ামদা অতাবা মমলদা হিদাক লাংথকশিং ফংহল্লি। মেদিকেল ইন্সটিট্যুসনশিং হেন্না লিংখৎতুনা অমদি সিট মশিং হান্নদগী হেনগৎহন্দুনা লম অসিদা শিক্ষা পীবগী লমদসু নিংথিনা ফগৎহনবা ঙমলে হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা মখা তাখি।

রিজিজ্ ঃ কেন্দ্রগী মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়রি- হৌখিবা চহি ১২ অসিদা লৈবাক অসিগী মীশিং য়ামজদবা কাংলুপশিংগী পুন্সি মহিং, থাক য়াওনা পুন্না য়েংবদা ফিভম শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলে।

নেসনেল দেলি অমগা উন্নবদা শ্রী রিজিজ্না হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সবকা সাথ, সবকা বিকাশ হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা খুনাইগী কাংলুপ খুদিংমকপু চাওখৎপগী মাইকৈদা পুশিনবা ঙমলে।

সিতারমন ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- সেন্ট্রেল টেক্স দিভোলুসনদা করনাতকনা য়ু.পি.এ সরকারগী মতমদা ফংলম্বা চাংদগী শরুক মঙা হেনগৎনা ফংলে।

বেঙ্গলুরুদা ঙসি পাঙথোকখিবা ভিক্সিত ভারত সংকল্প সমাভেসতা করনাটকতা কেন্দ্রগী শেন্থং পীথবদা মীরাইবীরে হায়না কংগ্রেসনা লুচিংবা রাজ্য সরকারনা মরাল শিরক্লিবা অদুবু মহাকা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখি। কেন্দ্র সরকারনা পীথরিবা শেন্থংশিংগী মতাংদা মন্ত্রিনা হায়- টেক্স দিভোলুসনদা করনাতকনা লুপা কোতি লাখ ৪ ফংলি। রাজ্য অদুগী কিলোমিতর লিশিং ৮,১০০ শাংবা নেসনেল হাইৱে শেমগৎনবা কেন্দ্রনা লুপা কোতি লিশিং ৬৩ পীখি। রেলৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনা লুপা কোতি লিশিং ৭,৭০০ অমসুং বেঙ্গলুরু-চেন্নাই ইন্দষ্ট্রিয়েল কোরিদোর প্রোজেক্টকীদমক লুপা কোতি লিশিং ৭

পীখি হায়নসু মহাকা মখা তাখি। রাজ্য অদুদা রিন্যুএবল ইনর্জি প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা লুপা কোতি লিশিং ১,৩৫৪ সু পীখি। মহাকা হায়- মথং চহিগী জ্ন থা ফাওবদা কোপাল অমসুং গদকপু গ্রিন ইনর্জিগী হবশিং ওইনা শেমগৎলগনি। করনাতক রাজ্যনা জন ধন, মুদ্রা লোন, আয়ুসমান, জল জিবন মিসন, উজৱালা, কিষান সনমান, জন ঔসাদি কেন্দ্রশিং অমদি ষ্টার্টঅপকী কান্নবা কয়াসু ফংলি হায়না শ্রীমতি সিতারমন্না ফোংদোক্লি।

নদ্দা ঃ কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হৌখিবা চহি ১২ অসিদা লৈবাক অসিগী হকশেলগী লমদা শিংথানিঙাই ওইনা ফিভম ফগৎলে। মহাকা হায়- মশা মউ ফবা নাগরিক অমা ওইহনবা হায়বসিনা শক্তি লৈরবা লৈবাক অমা শেমগৎনবগী মপুং ওইবা লম্বীনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী নদ্দানা হায়- আয়ুসমান ভারত পি.এ-জে.এ.ৱাই অমসুং আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দিরদগী হৌরগা তোঙান তোঙানবা হকশেলগী থৌরাংশিং অমসুং হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফাওবদা হান্নদগী অহেনবা খ্দোংচাবা কয়া মীয়ামদা ফংহনবা ঙমলে। মন্ত্রিনা হায়- অনৌবা মেদিকেল কলেজশিং হাংদোকপা অমসুং এম.বি.বি.এস অমদি পোষ্ট গ্রেজ্য়েটকী সিটশিং হেনগৎহনবা অসিনা তুংগী অনা লায়েংগী অচৌবা শক্তি অমা শেমগৎলি। আয়ুসমান ভারত দিজিতেল মিসন, য়ু-ৱিন, কো-ৱিন অমসুং হ-সঞ্জিবনিগুম্বা প্লেটফোর্মশিং অসিনা মীয়ামগী অনা লায়েংগী লমদসু খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফিফাঃ ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং স্কোটলেন্দ মায় পাকখ্রে, ব্রাজিলগা মোরোকোগা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা গ্রুপ-দিগী মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়ানা টরকিবু পাঞ্জল

২-০ দা থোইখি। গ্রুপ-সিগী মেটচ অমদা স্কোটলেন্দনা হাইতিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। গ্রুপ-সিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা মঙারক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ব্রাজিলগা মোরোকোগা লম্বা থেংনবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

ঙসি নুমিদাং পুং ১০ মখায়দা জরমনি অমসুং করকাউ লম্বা থেংনগনি। হয়েং অয়ুক্কী পুং ১ মখায়দা নেদরলেন্দসকা জপানগা, পুং ৪ মখায়দনা আইভোরি কোষ্টকা ইক্কেদোরগা, পুং ৭ মখায়দনা স্বিদেনগা ট্যুনিসিয়াগা লম্বা থেংনগনি। নুমিদাং পুং ৯ মখায়দনা স্পেন অমসুং কেপ বরদে লম্বা থেংনগনি।

ফুটবোলঃ ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা মেটচতা- সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল্ড বোইজ ফুটবোল ক্লবনা য়ুনাইতেদ য়ুথ থমাপোকপীবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা সাদর্ন স্পোর্তিং য়ুনিয়ন্না সোসিয়েল স্পোর্তিং ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ মঙা শুবা এম.এন.সি.এ ৱিমেন্স সেনিয়র ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ৱিন্নর থাউ থাংমৈবন্দনা ওইরে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা থাউ থাংমৈবন্দনা পি.টি.সি.সি পাৎশোইবু রন ৬২ থোইখি।

মরি শুবা এম.এন.সি.এ মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙবু রন ৪২ দা থোইখি।

------